# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা লৈখ্রে

**6 Dec, Sunday (17th & 18th Match)**
Mumbai City FC vs Odisha FC
Time : 5:00 PM
FC Goa vs Kerala Blasters FC
Time : 7:30 PM


এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় (য়েৎ)না নোর্থ ইষ্টকী মায়োক্তা হেদ তৌশিনবা

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): নোর্থইষ্টয়ুনাইটেদএফসীঅমসুং ইন্দিয়ন সুপর লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপা এস সীইষ্ট বেঙ্গলগা ঙসি শান্নবা ১৭শুবা লীগ মেটচতা নোর্থ ইষ্টকী টিমনা পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলদা টিম অসি অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

শান্নবগী পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ৩৩শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা ক্বেসি অপিয়ানা পীরকপা বোলদা সাইলা অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী সুরচন্দ্র অনীনা বোল মুন্নবদা গোল লাইন মনুংদা চঙখি। ভিদিও রিপ্লেদা য়েংনবদা খ্বাইদগী কোন্না সুরচন্দ্রনা বোল অদু থেংলুবা মরম্না ওন গোল ওইদুনা নোর্থইষ্টয়ুনাইটেদএফসীনা ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদা মণিপুরদগী নিঙ্থৌইঙানবা মীতৈ য়াওখি, অদুগা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলদনা ৱাহেংবম অঙৌসনা লুৱাং অমসুং সুরচন্দ্র য়াওখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল ১না লোইশিনখি। মখা তারকপদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাক্লবা কন্না হোৎনরকখিবা অদুগী কাউন্টর এটেক অমদা নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদগী সারানা টিমমেট সুহেরনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK Mohun Bagan FC | 3 | 3 | 0 | 0 | 4 | 0 | 4 | 9 |
| 2 | Northeast United FC | 4 | 2 | 2 | 0 | 6 | 3 | 3 | 8 |
| 3 | Mumbai City FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 4 | Bengaluru FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 3 | 2 | 1 | 5 |
| 5 | Hyderabad FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| 6 | Chennaiyin FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 7 | Jamshedpur | 3 | 0 | 2 | 1 | 4 | 5 | -1 | 2 |
| 8 | FC Goa | 3 | 0 | 2 | 1 | 3 | 4 | -1 | 2 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 3 | 0 | 2 | 1 | 2 | 3 | -1 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 4 | -2 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 7 | -7 | 0 |

# সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা মিক্স মার্সিয়ল আর্ট চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী রিতু ৪শুবা মেটচ মায় পাকখ্রে



ফিলিপিন্সকী জোমরি টোরেজপু মায়থীবা পীখিবী ইন্দিয়াগী রিতু ফোগট

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): সিঙ্গাপোরদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স মার্সিয়ল আর্ট চেম্পিয়নশিপকী বাউট অমদা ইন্দিয়াগী রিতু ফোগটনা ফিলিপিন্সকী জোমরি টোরেজবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা মশাগী করিয়রগী মরিরকশুবা থংনা-থংনবা মেটচ মায় পাকখ্রে।

মমাংদা রেষ্টলর অমা ওইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়ারুরবী অদুগা হৌজিক্তা মিক্স মার্সিয়ল আর্ট মশান্না অসিদা নৌনা খোঙদারক্তুনা শরুক য়ারক্লিবী মশাগী চহী ২৬শুরবী রিতু ফোগটনা মিক্স মার্সিয়ল আর্টকী ৱান চেম্পিয়নশিপ হায়না খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা বাউট অমদা মহাক্না ফিলিপিন্সকী জেমরি টোরেজবু অহানবা রাউন্দদা টেক্নিকেল নোকআউট তৌদুনা মায় পাকখিবনি।

'দি ইন্দিয়ন টাইগ্রেস' হায়না খঙনরিবী রিতু ফোগটনা ঙসিগী বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দ হৌরকপদা ফিলিপিন্সকী 'জাম্বোৱা জিনিয়ান ফাইটর' হায়না খঙনবী জোমরি টোরেজগী মায়কৈদগী কিন কয়াগী এটেক মায়োক্লদুনা মনিং হনখি। অদুবু ফোগটকী মায়কৈদগী খূদোংচাবা ফংবদা মহাক্কী লম্বা জোমরি টোরেজপু এরিনা অদুদা নমদুনা তুহল্লগা মথক্তগী নাম্থোকপা য়ারোইদবা মওংদা মখোঙনা ফাজিল্লগা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথখি।

ফোগটকী মায়কৈদগী খুনিং অমদি কিননা হনবা লৈতনা ফিলিপিন্সকী মার্সিয়ল আর্টিষ্ট অদুগী মমায়দা থিনবদগী বাউট অদুবু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা মখা তানা থিংহৌদ্রবদি ফিলিপিন্সকী জোমরি টোরেজ কা হেন্না শোকপা য়াইহায়দুনা বাউট অদু লেপহনখি।

রেফরিনা লেপহনখিবা অদুনা মায় পাক্লে খঙলবী রিতু ফোগটনা শান্নবগী স্পিরিট অদু উৎতুনা মহাক্না মায়থীবা পীরবী ফিলিপিন্সকী জোমরি টোরেজবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা কা-হেন্না শোকপ্রা হায়না চঙশিন্দুনা হংখি।

রিতু ফোগটনা মিক্স মার্সিয়ল আর্ট দিসিপ্লিন অসিদা খোঙদারকপগা লোয়ননা শরুক য়ারকপা বাউট মরিমক মায় পাক্তুনা মহাক্কী করিয়র অসিদা অফবা খূদম অমা পীরি। বাউট অদু লোইরবা মতুংদা রিতু ফোগটনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী লম্বা ওইখিবী ফিলিপিন্সকী জোমরি টোরেজগা থেংনবা অদু মহাক্কী লাইবকফবনি। এরিনা অদুদা চঙখ্রবা মতুং মহাক্কী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল অমদি লৌশিং পুথোক্তুনা শান্নবা ঙম্লিবা অসি মহাকপু নুংশিবীবা ভাবোকশিং, মহাক্কী কোচ অমদি টিমগী মতেংনা ঙম্বনি হায়খি। মখা তারকপদা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা ৱান ৱিমেন্স এটোমৱেথ গ্রান্ট প্রি টুর্নামেন্টতা মায় পাক্লনবা অহেনবা পূক্নিং চঙশিনগনি লোয়ননা ৱাখল চাইথোক্তুনা হোৎনগনি হায়খি।

# ফিফানা নুপী শান্নরোয়শিংনা চয়োল ১৪গী মেটর্নিটি লিভ লৌবা য়াহনখ্রে

জ্যুরিক, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোলগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফাগী মায়কৈদগী ঙরাং লৌখিবা ৱারেপ অমদা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা চয়োল ১৪নিগী ওইবা মেটর্নিটি লিভ (অঙাং উন্নবগী) লৌবা য়াহনখ্রে।

অনৌবা কাঙলোন অসি হৌখিবা থাদা প্রোপোজ তৌরক্লগা ঙরাং ফিফা কাউন্সিলনা অয়াবা পীখিবনি। অনৌবা কাঙলোন অসিগী মতুং ইন্না মীরোল্লবী নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা মেটর্নিটি লীভকী ওইনা চয়োল ১৪ ফংগদৌরিবনি। লোয়ননা মখোয়না শরুক য়ারিবা ক্লবশিংনা শান্নরোয় অদুগী ওইবা তলব অদু য়ামদ্রবদা শরুক অহুম থোকপগী অনীদি পীগদবনি হায়রি।

ফিফাগী অনৌবা কাঙলোন অসিগী মতুং ইন্না লীভ লৌখিবা শান্নরোয় অদুগী মহুৎতা চয়োল ১৪গী মতম অদু মেনশিন্নবা অনৌবা শান্নরোয় অমা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি। লোয়ননা শান্নরোয় অদুনা অঙাং উন্নরবা মতুংদা ক্লব অদুদা শান্নবা লাকপদা মতীক চাবা মেদিকল সপোর্ট পীগদবনি হায়রি।

ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়োভানি ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা কাঙলোন অসিনা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা চাওনা কান্নবা পীবগা লোয়ননা মখোয়দা ষ্টেবল ওইবা করিয়র অমা ফংবা ঙমহল্লগনি হায়খি। হীরম অসিগী মতাংদা ক্লবশিংনা শান্নরোয়শিং অদুবু মীরোল্লবা মতমদা ক্লব অদুগা লৈনরম্বা কন্ট্রেক্ট অদু লোইশিনবা য়াদবগী খোঙথাং অমা নৌনা ফংবা ঙল্লগনি।

ক্লবশিং অদুনা কাঙলোন অসি ঙাক্লা চৎত্রবদি শান্নরোয়শিং অদুদা কম্পেনসেসন পীবা অমদি ফাইন চাওনা থীহনবগী অনৌবা ৱাফমসু য়াওরি। কাঙলোন অসি মালেম শিনবা থুংনা চৎনগবনি।

# হোক্কি ইন্দিয়াগী কোচ, অম্পাইয়র অমদি ওফিসলশিংগী ওইবা ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপ এঐচএফনা মখা তাগদৌরি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): এসিয়ন হোক্কি ফেদরেসন (এঐচএফ)না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হোক্কি ইন্দিয়াগী কোচশিং, অম্পাইয়রশিং অমসুং টেকনিকল ওফিসলশিংগী ওইবা হান্নদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপ মখাতানা পাঙথোক্কনি হায়খ্রে।

নীংশিংবা য়াই, এঐচএফনা চহী অসিগী জুলাই, ওগষ্ট, সেপ্তেম্বর, ওক্টোবর অমসুং নভেম্বর থাদা মায়পাক্লা ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপ পাঙথোকখ্রে। কোচ, অম্পাইয়র অমসুং টেকনিকল ওফিসল ১২দগীনা ৩০ ফাওবগী ওইবা বেটচ অমা ঙসিদগী ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপ হৌখ্রবনি।

মমাংগী থা মঙাদা পাঙথোকখিবা ওনলাইন ৱর্কশোপ অদুদা শরুক য়ারুরবশিংনা কোচশিংগী ওইনা এটেক্কিং অমসুং দিফেন্দিংগী লমদা হান্না লৈরম্বা লৌশিং অদুদগী হেনগৎপা ঙমখি। লোয়ননা টেকনিকল ওফিসলশিংনা অমদি


ইন্দিয়াগী হোক্কি কোচ, রেফরি অমদি ওফিসলশিংনা ফিল্ডদা চাংয়েং তৌবা

অম্পাইয়রশিংনসু ফিল্ডদা হোক্কি মেটচশিং শান্নরকপা মতমদা থেংনরকপা এক্সপরিয়ন্সশিং অদুদগী অনৌবা পোরম কয়া অমা ৱর্কশোপ অসিদগী খঙবা ঙমখি। পনবা য়াবদি হায়রিবা ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপশিং অসি শরুকয়াগদৌরিবা মীওইশিংদা লেম্না মাইক্রোসোফ্‌ট টিম্‌স এপ্লিকেসনদা য়াওহললিবনি।

এসিয়ন হোক্কি ফেদরেসনগী চীফ এগজিক্যুটিব অমসুং ইন্টরনেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী দিভলপমেন্ট অমসুং ইদ্যুকেসন কম্মিতিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দাতো টায়ব ইক্রমনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ন হোক্কি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী কোচ, অম্পাইয়র অমসুং টেকনিকল ওফিসল মশিং হেনগৎহন্দুনা মশান্না অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি মমুৎতানা খঙহন্নবনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ওফিসলশিংগী মরক্তগী অম্পাইয়রশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লি। নেসনল অম্পাইয়র অমা ওইরিবা মিজোরাম হোক্কিগী লালরেমরাটি খিয়াংটেনা ফোঙদোকখিবদা হোক্কি ইন্দিয়া অমসুং এসিয়ন হোক্কি ফেদরেসন্না থা খুদিংগী পায়খৎলক্লিবা ওনলাইন ইদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অসিনা য়াম্না কান্নবা পীরি। ৱর্কশোপ অসিনা অম্পাইয়র অমনা ফিল্ডদা থেংনবা এক্সপরিয়ন্স অমদি মশান্না অসিগী ওইনা লৈরিবা কাংলোনশিং অনৌবা লৌশিং কয়া অমা ফংবা ঙম্মী হায়খি।

ইন্টরনেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী লেভেল ২ সার্টিফাইদ কোচ অমা ওইরিবা কে হরিহরননা ফোঙদোরকপদা ৱর্কশোপ অসিগী ইদ্যুকেটরশিংনা পীরিবা লৌশিং অদু য়াম্না কান্নবা ফংখি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু ৱাখল্লোন কয়া অমা শ্যের তৌবা ঙম্মী হায়খি।

# নাপোলিনা মরাদোনাবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা ষ্টেদিয়মগী মমিং হোংখ্রে




নেপল্‌স, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ইটালিগী ক্লব নাপোলিনা মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় লৈখিদ্রবা দিএগো মরাদোনাবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ক্লব অসিগী ষ্টেদিয়ম অদুগী মমিং হান্না লৈরম্বা অদু হোংদোক্তুনা মহাক্কী মমিংদা থোনখ্রে।

মমাংদা সান পাওলো ষ্টেদিয়ম হায়না খঙনরম্বা অদু হৌজিক দিএগো অর্মান্দো মরাদোনা ষ্টেদিয়ম হায়না খঙনরগনি। নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা মরাদোনা মশাগী চহী ৬০ শুরকপদা হার্ট ফেল ওইদুনা লৈখিদবনি। মহাক লৈখিদবদা নাপোলি ষ্টেদিয়মদা মহাক্কী নুংশিজরবা ভাবক লিশিং কয়ানা অৱাবা অমদি নুঙাইতবা ফোঙদোকখিবনি।

নেপল্‌স সিটি কাউন্সিলনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা সান পাওলো ষ্টেদিয়ম অদুবু মরাদোনাগী মমিংদা ওন্থোকখিবনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪দগীনা ১৯৯১ ফাওবা নাপোলি ফুটবোল ক্লবতা শান্নদুনা সেরি এ টাইটল অনীরক (১৯৮৭ অমসুং ১৯৯০) লৌবা ঙমহনখি। মসিদসু নত্তনা কুমজা ১৯৮৭কা ইটালিয়ন কপসু লৌবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৮৯দা য়ুএফা কপকী টাইটলসু নাপোলিনা লৌখি।

## এষ্ট্রো টর্ফ থানবা হোকি ফিল্ড য়েংশিনখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস): হোকি ইন্দিয়াগী নৌনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরবা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম অমসুং মণিপুর হোকিগী ওফিসলশিংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা হোকি মশান্না অসি হেন্না দিভলপ তৌনবগী পান্দমদা ৫-এ সাইদকী এষ্ট্রো টর্ফ পীটচ (ফিল্ড) অমমম্ থল্লগনি হায়বা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগী খোঙথাং অমদা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমসুং হোকি মণিপুরগী মীহুৎ কাঙবু অমনা পূন্না শেম্বা টেক্নিকেল টিম অমনা থৌবাল অচৌবা কাঙাশেনবী লম্পাক্তা চৎতুনা মফম অদুদা হোকি ফিল্ড অমা শেম্নবা য়েংশিনখ্রে।

# এবর্টন অমসুং বর্নলে দ্রো চৎখ্রে, হর্থা বর্লিন অমদি মার্সেল মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এবর্টন অমসুং বর্নলে পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। বুন্দেসলিগাদা হর্থা বর্লিননা য়ুনিয়ন বর্লিনবু ৩-১দা থোইখ্রে, অদুগা লীগ ৱানদনা মার্সেলনা নিম্‌সপু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নবা মেটচ অমদা এবর্টন অমসুং বর্নলে লম্বা তৌনখিবনি। এবর্টন মেটচ অদুগী মাংওইননা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, বর্নলেগী টিম পোইন্ট ৫ ফংলগা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা বর্নলেগী এস্লি ৱেষ্টৰুদনা পীরকপা বোল অমদা রোবর্টব্রাদিনা পাঞ্জল চন্দুনা এবর্টনবু মাংজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা এবর্টনগী মায়কৈদগী রিচারলিসননা খায়দোরকপা বোল অমা দোমিনিক কলভর্টনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদু অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগাগী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হর্থা বর্লিননা য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা য়ুনিয়ন বর্লিনগী মায়কৈদগী মার্কস ইংবার্টসননা পীখিবা বোল অমদা টাইৱো অওনিয়িনা পাঞ্জল চন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখিবনি। অদুবু অনীশুবা হাফতা হর্থা বর্লিনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ মরী-মরী চনশিল্লকপদগী মখোয়না থোইবা ঙমখি।

৫১শুবা মিনটতা পিটর পেকারিকনা ইক্বেলাইজর অদু চনখ্রবা মতুং ৭৪শুবা মিনটতা জবাইৱো দিলরোসননা পীখিবা বোলদা ক্রাইজিসটোফ পিয়াটেকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১দা হেনখি। মহাক্না মিনট ৩গী মনুংদা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-১দা য়ুনিয়ন বর্লিনবু থোইদুনা হান্না ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ১৩শুবদা হাইগৎপা ঙমখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লীগ ৱানগী মেটচ অমদা মার্সেলনা নিম্‌সপু ২-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা মার্সেলগী মায়কৈদগী অলভারো গোঞ্জালেজনা পীরকপা বোল অমদা দারিও বেনেদেটোনা পাঞ্জল চন্দুনা মার্সেলনা নিম্‌সপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী অপীবা মিনট ৯০ শুগদবা মিনট ৬ ৱাৎলিঙৈদা মার্সেলগী মায়কৈদগী ভালেরেজর্মেননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাক্তুনা মেটচ ১১দা পোইন্ট ২৪ ফংলগা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী পোইন্ট ২৫গী মথংদা অনীশুবদা লৈরি।

লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভান্টে অমসুং সেল্টা ভিগো মায় পাকপা ঙমখি। লিভান্টেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা রোজরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ১৭ শুজিল্লকপদা মখা তানা এটেক চথবা হেনখিবা লিভান্টেগী দেনিএল গোমেজনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫৭শুবা মিনটতা জোরগে দি ফ্রুটোজনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী হুগো মালো অমসুং আইগো অস্পাজনা ৬১শুবা অমসুং ৭৮শুবা মিনটতা এথলেটিক বিলবাওগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখি।

# চেছ শান্নরোয়না মেদল লৌবদা কষ্টমস দ্যুটি পীখিবগী মতাংদা মিনিষ্টর রিজিজুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর স্রিনাথ নারায়ননা মমাংদা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু লৌবদা কষ্টমস দ্যুটিগী ওইনা পৈশা পীখি হায়বগী মতাংদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৭ কী জুন ৩০দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মীরমদা শরুক য়ারুবা কম্পিটিসনশিংদা ফংলকপা মেদল অমদি ট্রোফিশিং অদু কষ্টমস দ্যুটিদগী কোমথোক্কনি হায়খিবনি। অদুবু হন্দক্তা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিম গোল্ড মেদল ফংখি। মেদলশিং অদু ইন্দিয়া য়ৌরকপা মতমদা ফংগদৌরিবশিং কষ্টমসকী ক্লিয়ারেন্সকী ওইবা শেল ওইনা লুপা ৬,৩০০ পীখিবা অদুগী মতাংদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপনি। মহাক্কী মায়কৈদগী অমদি কষ্টমসকী মায়কৈদগী লৌখিবা শেনফমশিং অদু স্রিনাথ নারায়নদা হন্দোক্কনি হায়না থাজবা পীখি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

# রবিন্দ্র জাদেজা শোকপদগী মখা তাবা সেরিজ শান্নবা য়াওররোই



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ঙরাং ওষ্ট্রেলিয়াবু কেনবেরা সিটিদা শান্নখিবা অহানবা টি-২০ মেটচতা মকোক্তা শোকখিবা রবিন্দ্র জাদেজা টি-২০ সেরিজ অসিগী মখা তাবা মেটচ অনী শরুক য়াররোই।

জাদেজা হৌজিক-হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়াদা অশোকপা অদু য়েংশিন্দুনা লৈরি। মখা তারকপা চঙগদবা টেষ্ট ময়ামসু চথগনি হায়না বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। জাদেজাগী মহুৎতা ফাষ্ট বোলর সর্দুল থাকুরনা মহুৎ শিল্লগনি হায়রি। নীংশিংবা য়াই, ঙরাংগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা বেটিং তৌরিঙৈ রবিন্দ্র জাদেজা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর মিচেল ষ্টার্কনা লংলকপা বোল অমদা মকোক্তা পান্দুনা শোক্লবা মতুং মখা তানা শান্নবা য়াওখিদে।

EMPLOYMENT NEWS

☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou গা নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/Mistry 2, চেক্কী Mistry 2, Jugali 5 অথুবদা পামজৈ।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840

HL/B/6497/3/11-31/12

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদসু কোভিদ-১৯ না পীরিবা চৈথেংশিং অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক হেল্থকা মরী লৈনবা মীওইশিং থাবিরক্লি। লোয়ননা প্রিন্ট মেদিয়া, ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী থোঙদা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিংগী মতাংদসু য়াম্না তোয়না মীয়াম্না ঙাক্লা চৎনবা এৱ্যেরনেস কয়া পীরি। অদুবু মদুগী থোইনা কান্নবদি উদ্রি। অমরোমদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন অথুবা মতমদা পুথোরকপা য়ানা লৈরে হায়বগী পাউসু তান্নরে। মতম মতমগী লাউথোকখিবা লৈঙাক্কী চৎনা কাঙলোনশিং মরী লৈনবা মীওইশিংনা থবক ওইনা মপুং ফানা পাঙথোক্লবসু হোৎনহন্নিংই। কোভিদ-১৯ না চাওরাক্লা থা ১০ হেন্না লৈবাক মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীখ্রে। অদুবু লমদম অসিগী মীওইশিংনসু অৱাবশিং অদুবু কাওথোক্লগা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা অকিবা লৈতনা মী পুনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি। লৈবাক অসিদা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উবিরদুনা অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন মীয়ামদা ফংহন্নবসু হায়জরি। মীচম ঐখোয়সু কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবদু খঙমিন্নসি।



**বিমোল মৈতৈ, লংথবাল কুঞ্জা**

থা খরগী মমাংদা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম খরা মখৈদি ফগৎলম্লবনি অদুবু নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইগী মশিং অমদি শিবগী মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। লায়না লায়চৎ অসিবু লাকশিন্নবগীদমক লৈঙাক্লা থা কয়া লোকদাউন থমখি। মতম অদুদদি লায়চৎ অসি খরা মখৈদি লাকশিনবা ঙমখিবগুম তৌই। লোকদাউন লৌথোকখ্রবা মতুংদা লায়চৎ অসিনা নাবা মীওইগী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মীচম মীয়াম্নসু থা কয়া লোকদাউন লৈখিবা মরম্না শুফম নোমফম খঙদনা লৈরম্বদগী লোকদাউন কোমথোরকপদা হিংনবগী লানফমদা মানা-মানা ঙমজবা থবক তৌনরি। হিংনবগীদমক থবক শুদবদি য়াদে অদুবু লায়চৎ অসিদগীসু ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুম্নমক্না ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমদি কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং তঙাইফদনা চৎফম থোকই। মদুনা লায়চৎ অসিদগী ইশা ঙাকথোকচবা নত্তনা লৈবাক মীয়ামগীসু য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। কোভিদ-১৯ গী অৱাবা চৈথেং মরক অসিদা পোৎচৈগী মমলশু তাংখৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা মীচম মীয়ামদদি অমুক্কা হেন্না অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com